**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তেংনৌপল, কাংপোকপী, চান্দেল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা সেক্যুরিটি ফোর্স না থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা নোংমৈ ২০৩ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই ৫ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইরকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং ২৮০ শুরে। মসিগী মনুংদা এক্তিব কেস ৬৩ লৈরি।

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ত্রিনিদাদ অমদি তোবেগোদা লৈবা ভারত মচাশিংদা ওভর সিজ সিটিজন্স ওফ ইন্দিয়া কার্ড পীরগনি।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি গুজরাত, হিমাচল প্রদেশ, রাজস্থান, ডত্তরাখন্দ অমসুং ছত্তিসগরগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা নোংনা মরম ওইদুনা অমাং অতা থোকপশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

অমসুং

৫) থা অসিগী ২২ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা দুরান্দ কপ ২০২৫ গী ত্রোফি ঙসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিং তেংনৌপল, কাংপোকপী, চান্দেল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা সেক্যুরিটি ফোর্স না থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা বোম কপ্পা য়াবা খুৎলাইশিং য়াওনা নোংমৈ ২০৩ অমসুং মরু কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

মণিপুর পুলিসনা ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা জিলাশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস, ভারত লান্মী অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অমসুং অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্স কী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্নবগী থবক চথখি। মদুদা এস.এল.আর-২৬, ইন্সাস রাইফলস ২১, এ.কে সেরিজগী নোংমৈ ১১, স্নাইপ্পর রাইফল ২, করবাইন ৩, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১৭, ফিফতিৱান এম.এমগী মোর্তার ২, এম.এ-এসোল্ট রাইফল ২, এম-সভেন্তি নাইন গ্রেনেদ লোঞ্চর ৩, স্কোপ য়াওবা রাইফল ১, সিঙ্গল সোট ব্রিজ লোদেদ নোংমৈ ১৮, সিঙ্গল ভোল্ট এক্সন ১১, পিষ্টোল ৬, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, লেথোদ অনি, সিঙ্গল বোর নোংমৈ ২৫, কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল ৩, মুজল লোদেদ রাইফল ৪, সিঙ্গল বোর ৬, পোম্পী ৩৮, লেথোদ ১ য়াওনা নোংমৈ ২০৩ ফাগৎপা ঙমখি অমদি ফাইভ পোইন্ট সিক্স এম.এমগী মরু ২৯, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু ৮০, আই.ই.দি ৩০, গ্রেনেদ ১০, পোম্পী সেল ৯ অমসুং লেথোদ গ্রেনেদ অনি ফাগৎপা ঙমখি।

নোংমৈ, বোম অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী এ.দি.জি.পি- লহরি দোর্জি লাহতুনা হায়- মণিপুরদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমবগীদমক পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা রাজ্য অসিগী চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎলায়শিং অসি ফাগৎখিবনি।

কম্মিসন (এল)ঃ মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী অনিশুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেতরি

প্রসান্ট কুমার, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী চেয়ারপার্সন মেথিউ রোংমৈ, ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি বিবেক দেৱাংগল, ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপায় অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী কম্মিসনার এন. অশোক কুমার শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা আর্ট ইগজিবিসন অমদি ত্রাইবেলগী নাৎকী ফিজোল উৎপা থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

নাগা (এল)ঃ রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরগী মীহুৎশিংনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা কাউন্সিল অসিগী মাইকৈদগী তমেংলোং জিলাদা পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সার্ভিস, পৱার ইনফ্রাষ্ট্রকচর, অনা লায়েং, ত্রান্সপোর্তেসন অমসুং নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগা মরী লৈননা জিলা অদুদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি অমদি চাওখৎ থৌরাং য়াওনা অতৈ মথৌ তাবা হিরম কয়াদা সরকারগী মাইকৈদগী মীৎয়েং চংবীনবা ৱাফমশিংসু তকশিনখি। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালগী মাইকৈদগী জিলা অদুগীদমক কাউন্সিলগী থম্লম্বা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমসু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী পোলো চাউখৎহন্নবা অমসুং অতৈ মরী লৈনবা হিরমশিংগী মতাংদা পাখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীনবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। রাজ্যপালগী মাইকৈদগীসু থবক ওইনা ওন্থোকবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অমরোমদা, মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী নোমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরিবশিংনা ত্রান্সপোর্তেসনগা মরী লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। লম্বীগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা বাই পাস

রোড অমা শেম্বীনবা অমদি অতৈ মথৌ তাবশিং থবক ওইনা পায়খৎপীনবগী ৱাফম রাজ্যপালদা তকশিনখি। এসোসিয়েসনগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা রাজ্যপালনা মথৌবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই ৫ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইরকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং ২৮০ শুরে। মসিগী মনুংদা এক্তিব কেস ৬৩ লৈরি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি মীওই ৩৩ কোভিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। মীওই ১৫ ঙসি দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা জ্ন অমদগী ঙসি ফাওবদা নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখিবা মশিং ২১৭ শুরে।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বি.জে.পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শিন্দুনা নিংথৌখোংদা লৈবা ইবুধৌ ওক রেল লাইশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, এম.এল.এ- গোবিনদাস কোন্থৌজম অমদি দল অসিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

তুংদা, এক পের মাকে নামগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা উ থাবগী থৌরম অমা তৌপোকপী পাব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরম অদু তৌপোকপী ৱেলফ্যার ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

কেম্পেন (এল)ঃধরতি অবা জনজাতিয়া গ্রাম উৎকারস অভিয়ান অমসুং বেনিফিত সেচুয়েসন কেম্পশিং চুরাচান্দপুর জিলাগী লমকাগী নিউ লমকা ইলিম ভেংগী কম্যুনিতি হোল অমসুং সাইকোট সবদিভিজনগী সাইদান খুলদা লৈবা সাইদান কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোলশিং হাংদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনখি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা শিন্দুনা ৭৬ লক শুবা বন মহোৎসব ২০২৫ গা মরী লৈননা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা খুল মরিদা উ চারাশিং থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা উহৈ পানবা, লৈ শাৎপা অমদি লৈতেংগী ওইবা পান্বী লিশিং ১,৫০০ রোম জিলা অসিগী লিরুংতাবী, লুনখু, পুরুম চুম্বাং অমসুং জোইনথলাং খুলশিংদা থাখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ  ইলেক্তোরেল রোলগী প্রি-রিভিজনগী মাংওইননা ব্লোক লেবেল ওফিসারশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা লিগেল প্রোভিজন রোলস এন্দ রেস্পোসিবিলি ওফ বি.এল.ওজ হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

থাদৌ (এল)ঃ  থাদৌ-কুকি লিটরেচর সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দুনা কৈথেলমানবী চম্ফাইদা লৈবা ঙাইমেল চিলড্রেন স্কুলদা নুমিৎ মরিনি চুপা চথরকখিবা থাদৌ-কুকি রিফ্রেসর কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কাংপোকপীগী জেদ.ই.ও- জোসি লমখোহাৎ হাওকিপনা শরুক য়াখিবশিংদা সার্তিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

পিএমঃ  প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত মচাশিংনা ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোদা চৎপা খোঙচৎ অসি থৌনা ফাবগী খোঙচৎ অমনি। মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অদুনা মফম অদুগী তোঙানবা তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা তেংবাং পারি। মসিগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-ত্রিনিদাদ অমদি তোবেগোদা লৈবা ভারত মচাশিংদা ওভর সিজ সিটিজন্স ওফ ইন্দিয়া কার্ড পীরগনি হায়রি। মসিনা মখোয়না ভারত্তা লাক্কুনা থবক ইনখাং তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎকী অহুমশুবা ঙসি অরজেন্টিনা পাংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা অরজেন্টিনাগী রাস্ত্রপতি-জেবিয়ার মিলৈনা বার্ত্তন তৌরকপদগী মহাক লৈবাক অদুদা চৎকদবনি। অরজেন্টিনা অসি ভারতকী শেন মীৎলোনগী য়ামা মরুওইবা মপাং অমনি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা অরজেন্টিনা চৎপা অসি চহি ৫৭ কী মতুংদা ওইরি।

দুরান কপ ঃ থা অসিগী ২২ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা দুরান্দ কপ ২০২৫ গী ত্রোফি ঙসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা লৈবাক কলচরেল সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- দুরান্দ কপ অসি এসিয়াদা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল তুরনামেন্ট অমনি।

তুরনামেন্ট অসি রাজ্য মঙা- নোংচুপ বেঙ্গল, অসাম, মণিপুর, মেঘালয় অমদি ঝারখন্দনা যুন্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি গুজরাত, হিমাচল প্রদেশ, রাজস্থান, উত্তরাখন্দ অমসুং ছত্তিসগরগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা নোংনা মরম ওইদুনা অমাং অতা থোকপশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়- ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা রাজ্যশিংদা মীয়ামগী মতেং পাংনবগীদমক এন.দি.আর.এফকী টিমশিং মতিক চানা থল্লে অমসুং দরকার ওইরকপা মতমদা অহেনবা কাংবু থাজিন্নবা শেম শারে। শ্রী সাহনা কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগী ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্যশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিশিংগা উন্নবা অদুদা থাজবা পীখি।

ইদি ঃ ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা চাইনিজ এপপ ইনভেষ্টমেন্ট ফ্রোদ কেসতা মপুং ওইনা চেন্নবা রোহিৎ বিজ ফারে। দিল্লিদা লৈবা রোহিৎ বিজগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা মফম মঙাসু ই.দিনা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। হিরম

অসিগী মতাংদা সাইবর ক্রাইম হাইদ্রবাদনা এফ.আই.আর অমা থাংগৎলকপদগী এজেন্সি অসিনা থিজিনদুনা লাকপনি। চাইনাগী মীওই কয়ানা ভারত মচাশিংগা খুৎশমদুনা শাশিন্নবা ইনভেষ্টমেন্ট এক্টকী খুথাংদা শেন্দোই য়ামা পীগনি হায়না থাজহন্দুনা মীওই কয়াদগী শেল খোমগৎলি হায়না মরাল শিরি।

জি-২০ ঃ  সাউথ আফ্রিকাগী দরবানদা পাঙথোকপা অহুন্নকসুবা জি-ত্বেন্তি ইজ্‌কেসন ৱার্কিং গ্রুপ মীফমদা ভারতকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিং শিক্ষাগী লমদা  অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মতাংদা ফোংদোকখি।

ইজ্‌কেসন প্রোফেসনেলস ফোর এ চেঞ্জিং ৱার্ল্ড হায়বা হিরমদা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুদা ভারতকী মীহুৎনা নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ গী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নেসনেল কাউন্সিল ফোর টিচর ইজ্‌কেসনগী চেয়ারপার্সন প্রোফেসার পঙ্কজ অরোরানা লুচিংবা ভারতকী মীফম অসিদা শরুক য়াখি।

কঞ্জুমর ঃ  হৌখিবা থা অনি অসিদা নেসনেল কঞ্জুমর হেল্প লাইন্না লুপা কোতি ৭ লাখ ১৪ কঞ্জুমরশিংদা হন্দোকপা ঙমখ্রে হায়রি। পুন্না কঞ্জুমর লিশিং ১৫,৪২৬ না রিফন্দগী ক্লেম তৌরকখি। লোয়ননা ঈ-কম্মর্স সেক্তরনা খ্বাইদগী ৱাংনা রিফন্দ ক্লেম তৌরকখি  অমদি রাজ্যশিংগী ওইনদি উত্তর প্রদেশনা খ্বাহদগী ৱাংনা রিফন্দ ক্লেম তৌরকপা রাজ্য ওইরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ খাইদেম গীতচন্দ্রদগী---

ফুটবোলঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চালৌ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চালৌ কপ ফুটবোলগী ৱিন্নর সেন্ত্রেল হাইস্কুল চালৌ লময়ানবা এফ.সিনা ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা সেন্ত্রেল হাইস্কুল চালৌ লময়ানবা এফ.সিনা নোংগ্রেন ময়াই লৈকাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মমাং থাগী ২১ দগী হৌদুনা চখ্থরকখিবা তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৩৪ না শরুক য়াখি।

খেল্লোঃ অহানবা খেল্লো ইন্দিয়া ৱাটর স্পোর্টস ফেষ্টিবেল মথং থাগী ২১ দগী শ্রীনগরগী দাল লেকতা হৌরগনি।

ৱাফম অসি কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা লাউথোকখিবনি। মদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্ন মঙা শরুক য়াগনি।

চেসঃ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন-দি. গুকেসনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-মেকনস কালসেনবু মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রোএসিয়াদা পাঙথোকপা গ্রান্ট চেস টুর-২০২৫ গী রেপিদ সেক্সনগী তরুকশুবা রাউন্দদা মেকনসু কালসেনবু মায়থিবা পীখিবনি।

------